# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




দাইমন্দ টিভি চেনেলগী হ্যুমেনিটি সর্ভিসকী মেম্বর ৯৫০ শুরবা দাইমন্দ দোনরসকী মপোক কুমওন থৌরমদা ইম্ফালগী সয়াং লম্বীদগী শান্তি অকোইজমনা ইসপেক্টর তয়াই পুথোকপগীদমক লুপা লিশীং ৫০ তেংবাঙদুনা পূক্লিং থৌগৎপা


লৌশিং পূক্কে : চাং নাইনা খোঙয়া মসাজ তৌবনা ঐখোয়গী ... লামায় ২
লামায় ৪ তুংগী থাজবা লৈরক্কবদা
'জিরিবামদা মোংফম থিবা চঙলকপা-!' লামায় ৫
লামায় ৬ মণিপুরগী লান অমসুং নার্কো টেররিষ্টকী মতাংদা ফোক্সনা...
ইন্দোনেসিয়ানা রেইন ফোরেষ্ট হেক্টর মিলিয়ন ১৫ কন্নবা ... লামায় ৮
লামায় ১০ দেনমার্ক অমসুং সর্বিয়া অমদি ইংলেন্দ অমসুং ...


মালেমগী মফম পুম্নমক্তা পাঙথোক্লখিবগুম ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মসিগী হেদ ক্বার্টরদা পুলিস পর্সনেলশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরমগী খোঙচৎ






Vol. 48, Issue No. 086 | শগোলশেন, ইঙাগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, June 27, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### লান নংলবা জিরিবামগী মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ৫ তাল্লকখ্রে

# জিরিবামগী মীয়াম্না মণিপুর লৈঙাক্তা খম থেংনা ৱারৌরে রেল্লি চৎতুনা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা হোৎনরুবদা দি সী ছুটি লৌরম্লে

## জিরিবামগী মীয়াম্না হায়জবশিং তাবীদ্রবদি নেসনল হায়ৱে ৩৭তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপগী ফীভম লাক্কনি : লিচিং

**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬কী নুংথিলদা মীচম অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা থাঙনা য়ান্দুনা তমথীবা মওংদা হাংতোকখ্রবা মতুংদগী জিরিবামদা থোরকখিবা লানগী থৌদোকশিংগী মৈশা নংলবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম হৌরক্তুনা ঙসি অচৌবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎতুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ৫ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। অদুম ওইনমক ঙসিগী অচৌবা ৱাকৎ খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা কুকি টেররিষ্টশিংনা মী লৈনদ্রবা য়ুম ২ অমসুং ওফিস অমদা বোম পোকখায়হন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে।





মীয়াম হুপ্না শরুক য়াখিবা ঙসিগী রেল্লি অদু জিরিবামগী লিচিং, অজুকা, জে দি ও, দল্লিয়ু এম সী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, এ জে এম পি, জিম্পাল, জিমৱাক, দল্লিয়ু দল্লিয়ু ও কে, ৱাসেদ অমসুং এল দল্লিয়ু দল্লিয়ুনা পূন্না শিনবনি।

মশীং য়াম্লবা খোঙচৎলোইশিংনা শরুক য়াখিবা খোঙচৎ অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদগী জিরি ইমা কৈথেলদগী হৌরক্লগা চীংদোং লৈকায়দা লৈবা দি সীগী ওফিস তম্না লাকখি। অদুবু দি সী ওফিসতা দি সী মশা লৈরমদবদগী এ দি সীদা দিমান্দ মঙা য়াওবা মেমোরেন্দম খূৎশিন্নবগা লোয়ননা খোঙচৎ অসিবু শিনখিবা লূপশিংগী মীহুৎশিংগা এ দি সীগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# ওম বিরলাবু লোক সভাগী অনৌবা স্পিকর খনখ্রে অখিলেস যাদবনা হাউসপু মথক-মখা ওন্থোক্কনু হায়খ্রে

**ন্যু দেল্লী, জুন ২৬ (এজেন্সী) :** তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা থা অসিগী ২৪দগী হৌরকখিবা ১৮শুবা লোক সভাগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা সভা অসিগী স্পিকর খন্নবগী মীখল পাঙথোকখিবদা বি জে পিগী হন্দক্কা অহুল্লকশুবা টর্ম ওইনা এম পি ওইরকখিবা অমসুং মমাঙগী ১৭শুবা লোক সভাদসু স্পিকর ওইখিবা ওম বিরলাবু অনৌবা স্পিকর ওইনা খনখ্রে।

লোক সভাগী স্পিকরগী ফম অসিগীদমক মহাক অমসুং আই এন দি আই এ ব্লোককী কে সুরেসনা মীরেপশিং ওইখিবনি। অদুবু ঙসি হাউসতা স্পিকরগী ফম অসিগীদমক ভোইস ভোটতা ভোট লৌনবদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা মশীং হেনখিদুনা ওম বিরলাবু স্পিকর খনখিবনি।

ভোইস ভোটতা মায় পাক্লবা ওম বিরলাবু লোক সভাগী লুচিংবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ওপোজিসন লিদর রাহুল গান্ধী য়াওনা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা স্পিকরগী ফম্ফম ফাওবা থিনজিনখি।

ফম অসিগীদমক ভোইস ভোটনা ৱায়েল্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা ওপোজিসন লিদর রাহুল গান্ধীগগী মরক্তা নোকমিন্নখিবগা লোয়ননা খূৎ শোক্লখি।



ওম বিরলাবু অমুক হন্না স্পিকর খল্লকপদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হায়, হাউসকী মায়কৈদগী ঐনা নহাকপু থাগৎনীংই। মরমদি হৌজিক্কী অমৃটকাল অসিগী মতমদা নহাক্না অনীরকশুবা ওইনা ফম অসি পায়রক্লিবসিগী অচৌবা থৌদাংশিং লৈরি। নহাক্কী হৈশিংবগা লোয়ননা মথংগী চহী মঙা অসিদা ঐখোয়বু নহাক্না লমজিংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কুক্কৈবু ওইখ্রেদা : ফাদুনা পুরকপা পুলিস পর্সনেলশিং ফূরম্লগা তোতোমস্না নান্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস) :** হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুরদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইখিবা হৈরোক পার্টুদগী মোইরাংথেম তোতোমস্না নোংশাবা (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম তোন্বীয়াইমবু পুলিসনা ফাদুনা পুরক্লগা গাড়ীদগী চোংথরবা মতুংদা পুলিস পর্সনেল খরা ফূরম্লগা নান্থোকখিবগী থৌদোক মীয়াম্না কুক্কৈ ওইনা য়েংনখ্রে।



থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ২.৪০ রোম তারকপদা মী খ্বাইদগী চিনবা ইম্ফাল মনুংগী মফম অমা ওইরিবা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা লৈবা ত্রাফিক আইলেন্দগী মনাক অমসুং ফ্লাই ওভরগী ময়াদা থোকখিবনি।

তোতোমস্নানা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোকোমিনা হয়েং 'মণিপুর কনবা খোঙচৎ' চৎতুনা খোল্লাও ৮ লাউগদৌরি

**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস) :** চহী হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিবু লোইশিলহন্নবগী পান্দম মখাদা তোঙান তোঙানবা খোল্লাও ৮ লাউরদুনা থা অসিগী ২৮গী অয়ুক পুং ৯ তারকপদগী হৌরদুনা কোকোমিনা শীন্দুনা 'মণিপুর কনবা খোঙচৎ' হায়বা পান্দমগী মখাদা অচৌবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎকদৌরি।

ঙসি নুংথিল পুং ১ তারকপদা লম্ফেলদা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা খোঙচৎ অসিগী মতাংদা লাউথোক্লদুনা লূপ অসিগী কোওর্দিনেটর থোকচোম সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অসি চৎনবগীদমক থা অসিগী ২৮গী অয়ুক পুং ৯দা থাংমৈবন্দ থাও গ্রাউন্দদা পুল্লবা মতুংদা খুমন লম্পাক ফাওবা চৎকদবনি হায়না লাউথোকখি।

খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াগদবশিংনা লাউদুনা তকশিনগদবা তোঙান তোঙানবা খোল্লাওশিংনা মণিপুরগী য়েলহৌমী মূথৎনবা তৌরিবা ইন্দিয়াগী থৌশিল খুদক্তা লেপকদবনি, ইন্দিয়াগী কাঙলূপ-ফূরুপ নাইবা থৌওং য়ানীংদে, নার্কো টেররিজম মরূ ফূক্তৎলসি, মপান্দগী লান্দারক্লিবা নার্কো টেররিষ্টশিং তান্থোকখিগদবনি, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## গভর্ণরনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ লাক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস) :**

ঙসি রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চতা এম্ব্যুলেন্স অমা খূৎশিন্নবগী থৌরমদা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহল্লক্রবগীদমক মণিপুরদা লাক্কনি হায়বগী অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে। অদুম ওইনমক হোম মিনিষ্টরনা করম্বা মতমদা মণিপুরদা লাক্কদগে হায়বগী মতাংদদি ফোঙদোকখিদে।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবী গভর্ণরনা হন্দক মহাক্না দেল্লীদা চৎতুনা প্রেসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু য়াওনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মালা সিথারমনগা উনখিবশিংসু নীংশিংলদুনা মণিপুরগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা পীফম থোকপা তেংবাঙ পীবীনবসু হায়জরম্লে। অদুগা হোম মিনিষ্টরনা মঙোন্দা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবগীদমক ফূরুপ অনীগী মীওইশিংগা উননবা হোৎনরগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোরক্লে হায়খি।

# মণিপুরদা দ্রগ এব্যুজ ১দি ইল্লিসিট ত্রাফিক্কিংগী চাং হন্থরক্লি : চীফ মিনিষ্টর

**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা চঙশিল্লক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়ন অসিনা মণিপুরদা দ্রগ এব্যুজ অমদি ইল্লিসিট ত্রাফিক্কিংগী চাং হন্থহল্লক্লি অমসুং সেটিলাইট মেপিংগী রিপোর্ট মতুংইন্না পোপি পাম্বী থাবগী চাংসু চাদা ৫৫ হন্থরকপগী মমি তারে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এন এ বি অমসুং মণিপুর পুলিসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি অয়ুক পুং ৮ লোম তারকপদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী বঙ্গলো মমাঙদগী বাইক রেল্লি অমা লমথারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসিগী রেল্লি অসিদা সিক্যুরিটি পর্সনেল ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হৌখিবা কুমজা ১৯৯০গী অদুৱাইদা মণিপুরদা দ্রগ চাবা মীগী মশীং অদুক্কী মতিক ৱাংলমখি। লম্বী সরক্তা দ্রগ চাবা নহা কয়া ফোঙনা থোরক্তুনা য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইখিদে। দ্রগ শীজিন্নবগী মশীং হেনগৎলকপগা ইরোয়ননা ঐচ আই ভি/এইদসনা নাহনবগী চাংসু ৱাংখৎলকখি। মতমদুদা ওইখিবা ফীভম্না মখা শমথরক্তুনা ঙসিগী মীরোল ফাওবদা দ্রগনা নহা কয়াগী পূন্সি মাঙহল্লি। অসিগুম্বা ফীভমসিদগী লৈঙাক্না কুমজা ২০১৮দগী দ্রগ অমদি পোপি পাম্বী থাবগী মায়োক্তা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়ন চথরকখিবনি। কেম্পেয়ন অসিগী মখাদা মণিপুরগী চীংগী লম খরদা পাক শন্না পোপি পাম্বীশিং থারম্বদু মাঙহনবা হৌরকখি। কেম্পেয়ন অসিগী মনুং চন্না দ্রগ শূংফম কয়া থুগাইবগা লোয়ননা লল্লোনবা মীওইশিংগী মথক্তসু অকনবা থবক লৌখৎখি। লুপা ক্রোর কয়াগী ওইগদবা দ্রগশিং অমদি নার্কো সবষ্টেন্সশিং ফাগৎতুনা মরী লৈনবশিংগী মথক্তা লোগী থবকশিং পায়খৎলক্লি।

দ্রগনা ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা পীরিবা চৈথেং অসি ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নসি। তুংগী মীরোলগীদমক দ্রগ ফ্রী মণিপুর ওইহল্লসি। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী ত্রাঞ্জিৎ কোরিদোর ওইবদা নত্তনা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলগা য়াম্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মণিপুর-মিজোরাম শম্নরিবা এন ঐচ-১০২বিদা শাবা থোং ৪গী ফীভম ফৎত্রে

### চুড়াচান্দপুরগী দি সীনা টন ১৫দগী হেন্না লূম্বা গাড়ীশিং লানবা খুদক্তগী থিংজিনখ্রে





**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী নেসনল হায়ৱেশিংগী মনুংদা এন ঐচ-১০২বি হায়না খঙনরক্লিবা মণিপুর অমসুং মিজোরাম শম্নহল্লিবা হায়ৱে অসিগী মথক্তা শাবা থোংশিংগী ফীভম ফৎলক্তবনা মরম ওইরদুনা খ্বাইদগী ফত্তবা থোং মরি খন্দোক্লগা মসিগী মথক্তা লান্থোক লানশিন তৌগদবা গাড়ীশিংদা পুরকপা পোৎ চৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## এম টি এসকী রিট্টন টেষ্ট হায়দোক্লবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস) :** প্রি প্রাইমারি ওজাশিং লৌবদা ত্রেন তৌদবা মীওইশিং লৌশিন্নবা হোৎনরম্লে হায়দুনা দেসামনা শিরগে'মখৈ অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী খোঙফম হন্দোকখ্রবা লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন লোয়শঙগী মায়োক্তা মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ (এম টি এস) শিং লৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা রিট্টন টেষ্ট হৌজিক ফাওবা হায়দোক্তনা নমশিন্দুনা থল্লকপগী মায়োক্তা দিরেক্টোরেট অসিগী মথক্তা অমুক্কসু খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।

খোঙজং অসি মণিপুর এদ্যুকেসন-এস এম টি এস রিট্টন টেষ্ট (২০১৬-১৮) বু হায়দোকপীয়ু হায়দুনা ফম অসিগীদমক পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্টগী রিট্টন টেষ্টতা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটশিংগী জে এ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## য়ুহা হাবগী মহয়

**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাং পুং ৭.০৯.৩২দা রিক্টর স্কেল ৪.৫ য়ৌনা মণিপুরদা য়ুহা হাখিবগী মহয় :

প্রোফেসর কাংজিয়ানা হায়-চুড়াচান্দপুর প্রোপরদগী কিলোমিটর ৭ লাপ্পা লৈবা মফমদগী ইপি সেন্টর ওইখিবনা লৈবাক্কী ওইনা খজিক্তং পাঙদে। খন্থরগা থবক তৌগদবনি। থৱায় নুংঙাইতবা ফাওগনি। মীহুল চেঙ্গুম-চেঙ্গানগনি। য়ুহা হাবগী মহয় পাঙদে হায়রি।

ডা. দল্লিয়ু জিবোলনা হায়-লৈবাক লৈহাও কাগনি। মহে-মরোং, ফৌ-চেঙ ফগনি। অতোপ্পা লৈবাক্কা মরী ফগৎকনি। মীরমগী অচৌ-অশাংশিং লাক্তুনা নোঞ্জরনি অদুবু চাকতাঙ-ফিতাঙগনি। পোৎ চৈগী মমল হেনগৎকনি, মীয়াম ৱাগনি। মপাং কায়নগনি হায়রি।

## অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ হুম্নিগী রিমান্দ লৌখ্রে

**ন্যু দেল্লী, জুন ২৬ (এজেন্সী) :** হৌজিক্লা চৎনহনখিদ্রবা মতম অমগী দেল্লী লিকর পোলিসি স্কামগা মরী লৈননা হৌখিবা মার্চ ২১দা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) না ফাবদগী টিহার জেলদা থল্লকখিবা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মথক্তা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা মহাকপু ফাবদা অয়াবা পীবীনবা হায়জরকখিবদগী দেল্লীগী রাওস এভেন্যু কোর্টনা অয়াবা পীখিবগী মতুংইন্না ঙরাং টিহার জেলদগী ফারবা মতুংদা ঙসি মরী লৈনবা কোর্ট অমদা পুথোক্লবা মতুংদা মহাকপু সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ হুম্নিগী রিমান্দ লৌথখ্রে। মহাক থা অসিগী ২৯গী নুমিদাং পুং ৭তা কোর্টতা অমুক হন্না পুথোক্কনি হায়রি।

চৈরকসিদা, সী বি আইনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু ফাজিনখিবদা নত্তনা দেল্লীগী ত্রাইএল কোর্ট অমনা মঙোন্দা পীরকখিবা বেলগী ওর্দরবু দেল্লী হায় কোর্টনা চৎনহন্দনা থমখিবদগী মসিগী মায়োক্তা মহাক্না সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুসু ৱিথদ্রো তৌখ্রে।

অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু ঙসি সী বি আইনা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌনবগীদমক কোর্টতা পুথোরকপদা এজেন্সী অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা কেস অসিগা মরী লৈননা মহাক্কী খূৎ য়াওরম্বগী খুদমশিং ফংলে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

## চীংথক্তা ফার্ম তৌবা মীওই ১ নোংমৈনা কাপ্তুনা মীহাৎ থীনা হাৎলম্লে

**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬কী নুংথিলদা জিরিবামদা সোইবম সরতকুমার কৌবা মীওই অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎলম্লবা মতুংদা চীংথক্তা ফার্ম তৌবা মীওই অমসু নোংমৈনা কাপ্তুনা তমথীবা মওংদা হাৎলম্লে।



থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর পিএসতগী খা নোংচুপ লোমদা কিলোমিটর ৫ রোম লাপ্লনা লৈরিবা খা পোৎশংবম মনীং লৈকায়গী চীংয়াগী মফম অমদা থোকখিবনি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং নোংমাইথেম জুলোন এলিয়জ বিমোলচান্দ (৪৫) অপোকপা এন বিরধজ কৌই, খা পোৎশংবম মনীং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৭তগীনি।

থৌদোক অসিগী পাউনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# নোংমৈ কাপশিন্দুনা ইশাগী য়ূম-কৈ মৈ থাদোক্তুনা তাঙ্গোই ওলহল্লগা তান্থোরকখিবা নুমিৎ অদু নীংশিংলুবদা তু চুংই : থবাতোন

### হকথেংনবা পাউদম

*তোর্বুং শাবল লৈকায়দগী খুঞ্জা*

**(ঙরাংগী মখা...)**

তোর্বুং শাবল লৈকায়দগী সন্দাম থবাতোননা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ইচানুপা অতোম্বগী মপান্দা লাইরিক তম্বা চৎলুবগী সর্টিফিকেট অদুদি খূৎনা পায়রকখি। ঐহাক খ্বাংচেৎ শেৎলগা ইমা-ইচা ঐখোয় অনী চেল্লক্তুনা অৱাং থংবগী পূখ্রি মপাল য়ৌরকপদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ঐখোয় অনী হল্লগা অমুক চেনখি। হল্লগা চেনবদুদা অঙম্বা খরা লৈবদু থেংনখি। অদুবু চেন্দবদি য়াদ্রবনিনা অঙম্বদু কাখৎলগা লাকও হায়দুনা ইচানুপানা ঐবু খূৎ পায়রগা চিংখৎখি।

ঐখোয় অনী অঙম্বা অদু লান্থোক্লগা মতৌ করম্না লম্বী তাগনি হায়বা খঙখিদে। ঐখোয় লৈকায়গী ইঙ্খোলশিং মনা-মশিং থাবদা য়াম্না ফবনা কুকি ময়াম লৈবা উবদগী ইঙ্খোলশিং অদুগী মরক্তা পাকথরগা চেল্লকখি। লম্বী-লমজাও লানখৎকে তৌবদা কুকিশিং থেংনবদগী ইচানুপানা মখোয়দা ইমা অসি অনাবনি, খূৎ থাবীগনু, অমুক্তা পুথোকখিগে হায়বদগী খূৎতি থারকখিদে। মফম অদুদা করিগুম্বা মখোয়না ইমা-ইচাদা খূৎ থারক্লম্লবদি ঐখোয় অনী মফম অদুদা অদুমক শিরমগনি। অদুবু ঐহাক মখা তানা চেনবা ঙমদবদগী লম্বীগী ৱাংমদা লৈরমখিবা মীতৈ নহা ৫০ রোম্না ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা ইমা নঙদি মতৌ করম্না লৈহৌখিবনো হায়না চেনশিন্নরকখি।

মশা খরা ফবা নহা অমনা মহাক্কী নঙ্গলদা কোল্লকউ হায়দুনা ঐহাকপু পোরগা চেল্লকপদা কুকিশিংনা নোংমৈনা কাপ্লগা তান্নরকখি।

নহা অদুনা ঐবু ফৌগাকচাও ইখাই য়ৌরমদাইদা থাখি। অদুগা ঐহাক শ্বর হোনবা ৱারকপগা লোয়ননা লেকথরকপদগী ময়াম্না কোক্তা ঈশিং থাদুনা লাক্লখি। ঐহাক্কী ফীভমদু উবদা পুলিস কম্মান্দোশিং চেনশিল্লক্তুনা ঐহাকপু কম্মান্দোগী গাড়ীদা হাপ্লগা ফৌগাকচাও ইখাই পুলিস ষ্টেসন ফাওবা পুবীরকখি।

ঐখোয় কদাই য়ৌগদবনো হংলকপদা ইচানুপানা ক্বাক্তা য়ৌগদবনি হায়বদগী ঐখোয়বু ফৌগাকচাও ইখাই থোংখোং ফাওবা অমুক থিনবীরকখি। মদুগী মতুংদা ওটোরিক্সো অমদা তোংদুনা ক্বাক্তাগী মিল ফাওবা চৎখি। ক্বাক্তাদা লৈবা ইচানুপাগা লাইরিক তম্মীন্নবা মমান্নবা অমগী য়ূমদা চঙখি। অদুবু অহিং অদুমা তূম্বা য়াখিদে। ইনেম্বোক অশোনবী অদু কৈদৌরমগদগে খল্লুবদা মীৎ উইশিনবা য়াখিদে। মথংগী অয়ুক্তদি ৱাঙুদা লৈবা ইবুং য়াইমদা ফোন তৌদুনা ইনেম্বোক্তু য়ূমদা লৈহৌরে, গাড়ী পুরগা লৌথোক্লনবা হায়বদগী চঙশিল্লুবদা ঐখোয়গী য়ূম অদুগা ঐখোয়গী য়ূমগী মনিং থংবদা লৈবা য়ূম অমগদি মৈ থারমখিদে। অদুবু য়ূম অতৈদি লোইনা মৈ চাক্লমখি। উচিন নাচিন্না ইনেম্বোক অশোনবীদু চঙশিন্দুনা লৌথোক্লখি। অদুগী মতুংদা ঐখোয় ৱাঙুদা মতম খরা লৈরম্লগা মোইরাংগী রিলিফ কেম্পতা অমুক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ৭ শুবা কুমওন থৌরম



(Late) Ayekpam Tomba @ Tona @ Wangpa
Former Vice-Chairman UNLF
11th November, 1956 - 28th June, 2017

হৌখিবা চহী ২০১৭ ইং, জুনগী তাং ২৮ ইঙাগী ৫ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লৈখিদ্রবা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বা অয়েকপম তোম্বা (তোনা, ৱাংপা) গী চহী ৭ শুরকপগী কুমওন থৌরম লাক্লিবা তাং ২৮/০৬/২০২৪ ইং, ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকচগদৌরি। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেন্না ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক্তা লৈখিদ্রবগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমজগদৌরি।

থৌরম অসিদা লৈখিদ্রবগা লোয়নবিরম্বা-লোয়নবিরম্বী অহল-লমন, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং, ইচে-ইচল খ্বাই পূম্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা অসিদা শরুক য়াবীরনবা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা পাউজেঞ্জরি।

অয়ুক পুং ০৮:০০ : হৈকৎ-লৈকৎ হৌবা
অয়ুক পুং ১০:০০ : লাইট রিফ্রেশমেন্ট

পাউজেঞ্জরিবী :
অয়েকপম অনন্দি (মতৈমা)
অমদি ইমুং-মনুং
নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈরক, ডি. সি. রোড।

HL-P/395/27